# ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ : রিভর প্লেটনা উরাৱা রেদস মায়থীবা পীখ্রে, মোন্টেরে অমসুং ইন্টর ড্রো চংখ্রে



**লন্দন, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী ওইনা গ্রুপ ঈগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা রিভর প্লেটনা উরাৱা রেদস থোইখ্রে অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা মোন্টেরে অমসুং ইন্টর মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা ড্রো চংখ্রে।

লন্দনদা লৈবা লুমেন ফিল্ডদা ঙসি রিভর প্লেট অমদি উরাৱা রেদসকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী রিভর প্লেটকী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রিভল প্লেটনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৯ ওইখিবা মতমদা উরাৱা রেদসনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪১ ওইখি।

বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা খুদোংচাবা মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ১২শুবা মিনটতা রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ফাকুন্দো পোলিভিওনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা রিভর প্লেটনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী হৌগৎলকপা ৪৮শুবা মিনটতা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা রিভর প্লেটকী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় সেবাষ্টিয়ানা ড্রিউসিনা চনখিবনি।

উরাৱা রেদসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৫৮শুবা মিনটতা উরাৱা রেদসকী ওইনা পেনালটি কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় য়ুসুকে মেটসিওনা পাঞ্জলদা ওন্থোকপা ঙমখি।

মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ৭৩ শুবা মিনটতা রিভর প্লেটকী মেক্সি মিলানোনা মখোয়গী টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা উরাৱা রেদসকী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু রিভর প্লেটনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, মোন্টেরে অমসুং ইন্টরগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ইন্টরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ইন্টরনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬২ ওইখিবা মতমদা মোন্টেরেনা বোল পায়বগী চাংদা চাদা ৩৮ ওইখি। ইন্টরনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু মোন্টেরেগী দিফেন্স লাইন লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা ড্রো চংখিবনি। মোন্টেরেগী পাঞ্জল অদুনা ২৫ শুবা মিনটতা সর্গিও রামোসনা চনখিবনি। অদুগা ইন্টরগী পাঞ্জল অদুনা ৪২শুবা মিনটতা রোটারো মার্টিনেজনা চনখিবনি।

# জর্মনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফোর নেসন্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী টিম খোঙশানখ্রে




**বেঙ্গলোর, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৫ ফাওবা জর্মনিনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফোর নেসন্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়াগী জুনিয়র মেন্স হোক্কি টিম ঙসি বার্লিনগীদমক খোঙশানখ্রে।

কেপ্টেন অরাইজিৎ সিংহ হুন্দালনা লুচিংবা ইন্দিয়া জুনিয়র টিমনা থা অসিগী ২১দা য়ুম্ফু জর্মনিগা অহানবা লম্বা তৌনগনি। মদুগী মতুং থা অসিগী ২২ অমসুং ২৪দা মথংশিংনা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং স্পেনগা মেটচশিং শান্নগনি।

পুল ষ্টেজদা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লৈবা ঙম্বা টিম অনী অদুনা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি অদুগা লেমহৌরিবা টিম অনী অদুনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মফমগীদমক লম্বা তৌনগনি। মেটচশিং অসি বার্লিনদা লৈবা টি সী ১৮৯৯ ব্লাউ ৱেবতা শান্নগনি।

ঙসি বার্লিনগীদমক খোঙশান্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী জুনিয়র মেন্স টিম কেপ্টেন অরাইজিৎনা ফোঙদোকখিবদা এফ আই ঐচ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০২৫গী মাঙওইননা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসি ঐখোয়গী ওইনদি য়াম্না মরু ওই। মরমদি জুনিয়র ৱর্ল্ড কপগী মাঙওইননা ঐখোয়না শান্নগদৌরিবা মেটচশিংসিদা ঐখোয়গী হৈশিংবা অমদি অশোয়বশিং খঙদোক্লবা খ্বাইদগী ফবা মীকুপ ওইগদৌরি অমদি ঐখোয়গী টিমগী কম্বাইনেসন করম্বা মওংদা লৈরিবগে হায়বদুসু শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদগী খঙবা ঙমগদৌরিবনি লোয়নন্না ঐখোয়না অফবা টিমশিংগা টুর্নামেন্ট অসিদা লম্বা তৌনগদৌরি মরম অদুনা ঐখোয়গী পাঙ্গল খঙদোক্লবগী মতম লৌবগা লোয়নন্না অনৌবা মখলগী খুশান্নশিং শান্ননবা হোৎনগনি হায়খি।

ভাইস কেপ্টেন অমির অলিনা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ঐখোয়গী টিমগী ওইনা অশোয়বা অমত্তা লৈহন্নিংদে। ফোর নেসন্স টুর্নামেন্ট অসিনা ঐখোয়গী অশোয়বশিং শেমদোক্লবগী খুদোংচাবা অদু পীগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী হৈশিংবশিং অমদি মপাঙ্গলশিং মেটচশিংদা খঙদোকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

# হরয়ানাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেশনল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৮ (ঐচ এন এস):**
ঙসিদগী হৌরগা থাসিগী ২৫ ফাওবা হরয়ানাগী রোটকতা লৈবা সাই এন বি এদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ লকশুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস নেশনল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়াগদবা লমদমসিগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মরী লৈননা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জুনিয়র গার্লসকীদমক খনখ্রবশিং অদুদি মোইরাংথেম কৃসমিরা, লমামৈলু গাংমৈ, রিয়া হৈখাম, মারিয়া পামে, মাংতে সুমনৈজাং কোম, রাধমনি লোংজম, নাওরেম অর্টিনা, থৌদাম দাইনা অমসুং এলাংবম পান্থোই চনুনি। জুনিয়র গার্লসকী ওফসলশিংনা এল কিসন অমসুং এল সুনিলকুমারনি।

জুনিয়র বোইজগীদমক নোমিনেট তৌখ্রবশিং অদুদি উশম থৌনা লুৱাং, এল অম্বেকর মীতৈ, এম লনচেনবা, টি ঐচ মনিথোইবা মৈতৈ, এস দাইমন্দ, করুং অলবর্টসন কোম, কে ঐচ লনচেনবা মৈতৈ, খুন্দোম লনচেনবা মীতৈ, সামোম পুন্সিবা, এল মহেস, এস বিকাস অমসুং এ য়ুবরাজনি। ওফিসলশিংনা ৱাই প্রিয়োকুমার অমসুং গ্যানেন্দ্রনি হায়রি।

# শুবমন গিল ৪শুবা বেটসমেন ওইনা লৈগনিঃ রিসব পন্ট

**চেন্নাই, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
ইরাই নুমিৎতগী হৌরগা ইংলেন্দগা শান্নগদৌরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন শুবমন গিলনা মরিশুবা বেটসমেন ওইনা লৈগনি হায়বা ৱিকেটকিপ্পর- বেটর রিসব পন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লীদ্‌সতা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা রিসব পন্টনা হায় শুবমন গিলনা ৪শুবা বেটসমেন ওইনা লৈগনি। অহুমশুবা বেটসমেন কনানা ওইগদগে হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চান্না লেপত্রি। মসিগী মতাংদা হৌজিক কন্না খন্নরি হায়খি।

মহাক্না হায়, শুবমন অমসুং মহাক মশাগী ওইনা ফিল্ডদা অফবা মরী অমা থম্বা ঙল্লি। ফিল্ডগী মপান দসু মখোয় অনী য়াম্না লুনা তিন্নরি। মহাক্না পুংবা ওইদুনা ফিল্ডদা লৈবা মতমদা অকিবা কয়া লৈরম্লবসু মাঙহনবা ঙম্মী। মহাক্না লোয়ননা মেটচ অয়াম্বদা রন মশিং য়াম্না লৌবা ঙমদুনা লাক্লি। অথুবা মতমদা অহুমশুবা মেটসমেন কনানা ওইগদগে হায়বা খঙলগনি।

# মেটচ কম্মিস্নরশিংগী নুমিৎ হুম্নিগী সেমিনার পাঙথোকখ্রে

**ন্যু দেল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না ইন্দিয়ান ফুটবোল এসোসিএসন-ৱেষ্ট বেঙ্গল (আই এফ এ)গা খুৎশম্নদুনা লোকেল মেটচ কম্মিস্নরশিংগী থবক থৌরমশিং হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা সেমিনার অমা কোলকটাদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদু ঝরখন্দগী বিনোদ কে সিংহনা চীফ ইনষ্ট্রক্টর ওইনা লুচিংখি অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী স্বাগাটো ভর্টচারিয়ানা এসিষ্টেন্ট ইনষ্ট্রক্টর ওইখি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুন্না মীওই ২৬না হায়রিবা সেমিনার অদুদা শরুক য়াখি অমদি হেন্না মতীক চাবা ওফিসলশিং মতৌ করম্না ওইগদগে হায়বগী মতাংদা মরুওইনা খন্ন-নৈনখি। চথখিবা সেমিনার অদুদা ইন্টেন্সিব ক্লাসরুম সেসন, প্রেক্টিকেল, রিটন অমসুং প্রেক্টিকেল এসেষ্টমেন্টশিং তৌখি। দোমেষ্টিক ফুটবোল ইকো সিষ্টেম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেমিনার অদু এ আই এফ এফনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

# অর্জেন্টিনাগী মখুৎতা ইন্দিয়া টিম মায়থীবা নঙখ্রে




**লন্দন, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
ইংলেন্দদা হৌজিক চথরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কি প্রো লিগ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি অর্জেন্টিনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা অর্জেন্টিনা ইন্দিয়া মায়থীবা পীরম্লে।

লি ভেলি হোক্কি এন্দ টেনিস সেন্টরদা ইন্দিয়া অমসুং অর্জেন্টিনাগী মরক্তা শান্নখিবা হোক্কি মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈ শিংবা মান্নদা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা ক্বার্টর লোইরকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ২৯শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী ভিক্টোরিয়া ফলাসকোনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিপিকানা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈবা ঙমখি।


অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ৪২শুবা মিনটতা অর্জেন্টিনাগী অগষ্টিনা গোর্জেলেনিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা অর্জেন্টিনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি। মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর শান্নখিবা অদুগী ওইনা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনবা শান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা ৫৪শুবা মিনটতা অর্জেন্টিগী অগষ্টিনানা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা টিমগীনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ৫৫শুবা মিনটতা অগষ্টিনানা মহাক্কী হেদত্রিক ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু অর্জেন্টিনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখিবনি।


# পেট্রা ভিটৌভাদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীখ্রে

**লন্দন, জুন ১৮ (এজেন্সী):**
ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবী পেট্রা ভিটোভাদা ৱিমেন্স সিঙ্গলস ড্রোগী ৱাইল্ড কার্দ খুৎশীন্নখ্রে হায়না ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ভিটৌভা দাইরেক্ট এন্ট্রিগীদমক্ত মহাক্কী রেঙ্ক অদু য়াম্না নেমখিবনা মরম ওইরগা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১১ অমসুং ১৪গী ওল ইংলন্দ ক্লবকী ৱিন্নর ওইখ্রবী চেককী শান্নরোয় অসি অঙাং উনবগা মরী লৈননা থা ১৭ রোম মশান্না অসিদগী পোথাদুনা লৈরুরবা মতুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা অমুক শান্নবা হৌরকখিবনি।

মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবী হান্নগী ওইনা মালেমগী অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রবী ভিটৌভানা ওল ইংলন্দ ক্লবকী ৱাইল্ড কার্দ ফংবা অহানবা নন-বৃটিশ শান্নরোয় ওইরি। চহী অসিগী হৌগৎলকপদা দব্লিয়ু এ টি এ ৫০০গী ইভেন্ট অমা ওইরিবা ক্বিন্স ক্লবতা ভিটৌভা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নঙখিবনি। মহাক দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা হৌজিক হৌজিক ৫৭২শুবা মফমদা কুমথদুনা লৈরি অমদি হান্নগুম্বা মপুং ফানা শান্নবা ঙমদ্রি হায়রি।










## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1508

**(Safin Safarullakhan (1546) - Michael Ferzli (1692**
**23rd Dubai Open B 2023 Dubai UAE, 2023.05.29**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Bb2 cxd4.5 | b3 Nc6.4 | e3 c5.3 | d4 Nf6.2 | Nf3 d5.1 |
| Be2 Bd6.10 | Nd4 e6.9 | Nd2 a6.8 | Nb5 Qd7.7 | Nxd4 Qc7.6 |
| Qd4 e5.15 | Bxf6 gxf6.14 | Nxc6 Qxc6.13 | O-O O-O.12 | N2f3 b5.11 |
| Rfe1 Bg6.20 | Bxc4 Bf5.19 | bxc4 dxc4.18 | c4 bxc4.17 | Qh4 Bc5.16 |
| h3 Rd7.25 | Re2 Kg7.24 | e4 Qa7.23 | Bd5 Rad8.22 | Rac1 Qb6.21 |
| Qg3+ Bg6.30 | exf5 Bxf5.29 | Nf1 f5.28 | Rd1 Qb6.27 | Nh2 Rc8.26 |
| h4 Qb5.35 | Bf3 Re1.34 | Qg3 Rce8.33 | Red2 Re7.32 | Qxe5+ Kg8.31 |
| Qd6 Re1+.40 | Ne3 h5.39 | Rd8+ Bf8.38 | Be2 Rxe2.37 | Rxe1 Rxe1.36 |
| … .45 | Qg8+ Kh6.44 | g3 Re2.43 | Qxf8 Qe5+.42 | Kh2 Kh7.41 |

**QUESTION : White to win**

**: Puzzle 1507 Solution**

**Rxc2** *The black rook attacks White's rook, which is...* **.30** *defending White's pawn. The black rook attacks White's rook, which is defending White's pawn.* **31.Rxe6**
*Re4 fxe4.31*
*Qf4 Rexe2 32.Rxe2 Rxe2.31*
*Rxc2 Rxe1#.31*
*Kg1 Rexe2 32.Rxe2 Rxe2.31*
**Qxg2#** *Damiano's rook mate...* **.31**
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com